IMPHAL, SATURDAY, FEBRUARY 21, 2015

# সাংলৈন পোক্নফম

THE LARGEST CIRCULATED MANIPURI DAILY
www.poknapham.in • www.thepeopleschronicle.in



খুমুক লোম ব্লাড্ডা শোকপলগী লায়কবিরিবা অমসুং লৈমিইরগী ইমুলা ইমরগী প্রিসিদেন্ত লোংখোম রাজেন্দ্রগা শেনগী মতেং খুদোংচবা

ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর স্তেত ব্রাঞ্চকী লাইব্রেরিয়ন প্রোজেক্তকী মখাদা দুগী অমদা মচা বাহী মোহেন সিংহনা লোন খুদোংচবা (লামায় ৯ দা)



# নোর্থ ইস্ত ওর্গানিক হব অমা ওইনা শেমগৎলগনিঃ প্রাইম মিনিস্তর

ইতানগর, ফেব্রুয়ারী ২০ (পি তি আই)ঃ গবর্নমেন্তনা নোর্থ ইস্তকী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা অকনবা থবকশিং পায়খৎলকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিস্তর মোদিনা ঙসি এগ্রিকলচরগী পোথোকশিং হেনগৎহল্লবা রিজন অসিবু ওর্গানিক হব অমা ওইনা শেমগৎনবা অমসুং মতম কয়াদগী থওইদনা লাক্লবা রিজন অসিদা তু জি, থ্রী জি অমসুং ফোর জি কনেক্তিবিতি ফংহল্লবা হায়রে।

সেন্তরনা নোর্থ ইস্তকী মতাংদা অকনবা থৌরাংশিং লৌখৎপগা লোয়ননা লৈবাক্কী অতোপ্পা শরুকশিংগী চাওখৎ থৌরাংগা মান্ননা রিজন অসিগীসু চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকনি হায়না প্রাইম মিনিস্তরনা হায়খি।

ইন্দিরা গান্ধী পার্কতা পাঙথোকখিবা ২৯শুবা স্তেতহুদ দে থৌরমদা তিনখিবা মীয়ামদা বা ঙাঙবদা মহাক্না হায়খি, রিজন অসিদা অনৌবা এগ্রিকলচরেল য়ুনিবর্সিতি তরুক লিংখৎনবা থৌরাং তৌরি অমসুং মসিগী এগ্রো ক্লাইমেতিক কন্দিসন্দা মীংথেং থল্লগা এগ্রিকলচর অমসুং হোর্তিকলচরগী পোথোকশিং হেনগৎহল্লবা নোর্থ ইস্তপু লৈবাক্কী ওর্গানিক হব অমা ওন্থোক্লবা থৌরাংশিং পায়খৎলি।

গবর্নমেন্তনা রিজন অসিগীদমক অনৌবা এফ এম চেনেল ১৮ হাংদোক্লবা থৌরাং তৌরি। মসিগীদমক অথুবা মতমদা ওক্সন পাঙথোক্লগনি। মসিগী মখক্তা চহী কয়াদগী থওইদনা লাক্লবা রিজন অসিদা তু জি, থ্রী জি অমসুং ফোর জি কনেক্তিবিতি ফংহল্লবা থৌরাংশিং লৈরে হায়না মীয়ামগী অহৌবা খুবাক মরক্তা প্রাইম মিনিস্তরনা হায়খি।

ফন্দশিংগী অরাংপা লৈরোই অদুবু রিজন অসিগী মরী লৈনরিবা স্তেত গবর্নমেন্তশিংনা সেন্ত্রেল ফন্দশিং চুম্না শীজিন্নগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি। মহাক্কী মিনিস্তরশিংদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিন্নবা অমসুং রিজন অসিদা লৈরিবা প্রোব্লেমশিং লৈননবা থা অমদা অনীরক নোর্থ ইস্ত স্তেতশিংদা চৎনবা থত্তহনপ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংদা শরুক য়াবা ঙমহল্লবা রিজন অসিগী মইহৌরোল ১২০০ দা অথাম্বা স্কোলারশিপ পীনবা সেন্তরদা লৈরিবা এন ডি এ গবর্নমেন্তকী থৌরাং লৈরে হায়খি।

মখা লামায় ৫, কলম ৫ দা

(লামায় ১গী মখা)

অতোপ্পা মফমশিংগা শম্নহন্নবগী লম্বী ৱাৎপনা চাওখৎ থৌরাংদা থিংহনবনি। অথুবা মতমদা রিজন অসিগী শক্তম ওল্লক্লদবা ইনফ্রাস্ত্রকচর প্রোজেক্ত কয়া পরেং লেংদুনা লৈরে হায়না প্রাইম মিনিস্তরনা ফোংদোকখি।

অরুনাচল প্রদেশতা ত্রেন অনী লমথাখিবগা লোয়ননা পৱার প্রোজেক্ত অমা উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদসু প্রাইম মিনিস্তরনা নোর্থ ইস্ত রিজনগী স্তেতশিং অমসুং সেন্তর অনী য়াম্না নকশিন্ননা পুন্না থবক তৌমিন্নরি হায়না ফোংদোকখি।

ঙসি হৌদোকখিবা প্রোজেক্তশিং অসিনা অতোপ্পা মফমশিংগা শম্নহন্নবগী লম্বী হেনগৎহন্দুনা অমসুং ইলেক্ত্রিসিতি ফংহন্দুনা খোল্লাউখিক্তমক লাউবনা মুখৎপা ঙম্লোইদবা অৱাং অপাশিং ময়োক্লবা ঙমহল্লগনি হায়না লৈবাক অসিগী রেলৱে মেপ্তা অরুনাচল ওফিসিয়েল ওইনা য়াওহনখ্রবা মতুংদা মোদিনা হায়খি।

প্রাইম মিনিস্তরনা অরুনাচলগী নহরলাগুন অমসুং অসামগী লখিমপুরদা লৈবা হারমুতিগী মরক্তা কিলোমিতর ২১.৭৫ শাংবা ব্রোদ গেজ অমা খুদোল তমখিবদা নত্তনা নহরলাগুন অমদি গুহাতিগী মরক্তা চেনগদৌরিবা ইন্তরসিতি এক্সপ্রেস অমসুং নিউ দিল্লী অমদি নহরলাগুনগী মরক্তা চেনগদবা এ সি এক্সপ্রেস ত্রেন অমা রিমোৎ কন্ত্রোলগী খুথাংদা লমথাখি।

মহাক্না কে ভি ১৩২ গী পৱার ত্রান্সমিসন অমসুং দিস্ত্রিব্যুসন সিস্তেম প্রোজেক্ত অমগী উরেপ উয়ুং তমখিবগা লোয়ননা ইতানগর ৱাতর সপ্লাই প্রোজেক্তকী মায়খুম হাংদোকখি।

অনৌবা ত্রেনশিং অদু ২৯শুবা স্তেতহুদ দে থৌরমদা স্তেত অসিগী প্রজাশিংদা পীবা অখন্নবা খুদোলনি। অনৌবা ত্রেনশিং অসিনা স্তেত কেপিতেল অমদি নেসনেল কেপিতেল শম্নহন্দুনা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা শরুক কয়াদগী মীওই কয়া লাক্নুনা তুরিজম ইন্দস্ত্রি হেন্না চাওখৎহল্লগনি হায়না মোদিনা হায়খি।